
শৌ
রং
বিরচন্দ্র

শৈরেং য়েন্দায়

চিংশুবম বিরচন্দ্র সিংহ
এম এস, সি

১৯৮০ ইং

লাইরিক মমিং— শৈরেং রেন্দায়

অইবাঃ— চিংশুবম বিরচন্দ্র সিংহ

এমঃ এসঃ সিঃ

অফোংবাঃ— ১। চিংশুবম ইবেতোম্বী দেবী

সেগা বোড থোঁদাম ভাবোক লৈকাই, ইম্ফাল।

২। শ্রীশ্যামবাবু সিংহ

এসিষ্টেণ্ট ইঞ্জিনিযাব, মাইনব ইবিগেসন

তেরা কৈথেল, ইম্ফাল।

মথুম য়েকপাঃ— সলাম অনিল সিংহ

রাখল লমজিং পীবাঃ— অইবা

ব্লোক শাবাঃ— এন, মঙ্গী সিংহ

এল'ংবম লৈকাই

মমল—লুপা তরা

কোপী মশিং ৭০০

নম্ফম— নোভেলটি প্রিণ্টর্স, ইম্ফাল।

পাথিবশিংগী মীৎয়েং খরদং

(১)

ইবুংঙো চিশুবম বীরচন্দ্র সিংহগী লৈরেংশিং অসি কজনস্থ য়াওই। কবিগী অহানবা পোৎলোক ও'বনা অব'ম্বদি চ'ংয়েংগী থাক্তা লৈরি। হোৎনবা লেপত্রবদি মতু দা অফবা শৈ'বং কয়া থোকোকখিগনি হায়না আশা তৌই। দমিগা য়ারি শাস্ত্রগী মসিমদি থাজবা পোকই, হোৎনবা লেপ্লোই হায়বা।

ইম্ফাল, নোংথোম্বম কুঞ্জমোহোন সিংহ

তাং ২২।১০।৭৭

শ্রীচিংশুবম বীরচন্দ্র সিংহনা ইবা "শৈরেং য়েন্দাম" হায়বা মহাক্কী শৈরেং মেন্নুসক্রিপ অসি পায়ে পুন্না শৈরেং কুন্নিপান য়াওবা লাইরিক অমনি। কবিতা ইবা অসি কনাগুম্বা মীশক অমনা কলম পাইখৎলুনা হেক্তা ইবা য়াবা নত্তে। মী অমুদা তোপ তোপ্পা থম্মোইগী ঈথিল অমা কাওয়ক্লিন্‌রা কাওবা নত্রগা কাওভমদনা চুশিনগ্রবা পুন্সিগী শকতম অমা থে-নত্রবদি অইবগী ক্ষোংদোকপা অমু মরিক চুমদে। কবিতা হায়বসিদি এ মেমোরিএল স্পিস হায়নরিবনি। কবিতা মশামক অমুগা লেখক মশামক থম্মোইবু শুমহৎপা ঙম্বা মওং লৈগদনি। হৌজিক্কী মতমদদি সাইকোলোজিকেল এপ্রোচ অমগা লোয়ননা কবিতা ইনবনা মপানথোংগী কঞ্জবদা পূক্লিং লুপ্পা অমুগী মতম লোটক্রে হায়বা য়াই। হৌজিক্কি নিবা থুদবা, লাওনবা, পেয়দবা, রাজনিতিগী মরমদস্ু, অর্থনিতিগী মরমদস্ু অমুগা ইমপ্লোইমেন্টগী মতাংদস্ু, অমে'ৎপা, সমাজগী মপাম্হোংগী কঞ্জবা মাইথুমগী ইরাং উবদা মীওইবগী থম্মোইদা শোইদনমক কাওই। অচুম্বা মাংপ্রবা পুন্সি অমা, ঈশ্বর লৈত্রবা জগৎ অমা ওইদবমা শাগৎলবা সংসার অমা শ্রীবীরচন্দ্রগী কবিতাশিংদা সম'জবু কয়েম্ববা তৌশিন্নবা, অচুম্বা লৈত্রবা হৌজিক্কী মতম অসিগী শকতম অমা য়েক্লনবা কন্না হোৎনরি। মহাক্কী লৌনা পায়খৎলকপা অইবগী থোন্থাং অসিদা কঞ্জবা কবিতা দাওই মতুংদা য়াম্না ফরকপগী আশা মহাক্কী হোৎনজমন অমদি থম্মোইগী পাঙদম অসি মতম ফুইনা হিংজুনা লৈহৌগনি হায়না আশা তৌই।

এলাংবম রজনিকান্ত সিংহ

তাং ২৫।১।৭৭

হায়াং য়ানবা

ঈগিলুই তাংবা ইস্ ইনকখি ইমেং, বাদি মচা, হায়স্কুল [illegible] [illegible] [illegible] ফমনে। থাংবা, লাইহি কি চেঙ্খৃদা। [illegible] ভুমাদ ঈটে ইহনা লাক্লবা চ [illegible] থকপা, হিগ্ন ভুম্বা অপুনবা অমনা পুগুম্মী। [illegible] র। খোয়ং গল্লুদ অহুবু আর্টিকল বগদি মেগাজিন শিদা অংনি [illegible] সাইহেন্না বদা ফোংদোকখি। ফোংনবগী হাখল [illegible] খিবম অইব। অসুক্কী নুদাংগী হিরম্বা লোইনজবা [illegible] [illegible] অদি অইববু থুংনিবিবা হংখ্রা ববনি। মোংবগী মতাং মোংবক্লবদা অপংবা অমাদ হিংনমিগা খুংং চাওনিক্লব্রবা [illegible] অইবগী [illegible] খিনা [illegible] ডংবিরক্লবা হমং-চকই। নোংমা ওক্সা পম্ন বুগারনা হংখি "নংনাকপু র.ডিমরাথ, কিথস তেংগায় অমদি ইলেবাক [illegible] ইট [illegible] টকশিংবুদি ইনেহত্রা"? অইহনা খুমখি "মতম অমদি অহংনদবে পাজ্জবম্মী নৈনজরম্মী অহবু হৌজিক্ত ইনিটেসন হয়রবদি ঙম্বা [illegible] অসি য়াম্না [illegible] অদা [illegible] [illegible] পায়রা [illegible] নাংদগী [illegible] খাংবিক [illegible] হাখল পাইদে" [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মাক্লবা মীশুই [illegible] [illegible] রাদি [illegible] [illegible] অইহনাপা জবস্ব নি, তম্না কন্নী [illegible] ইম্ববনি।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লাইহিক অসি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নি। খুংইদা লৈরাং চংদা [illegible] বা [illegible] [illegible] ক্ত, লোংযোংবম কুঞ্জমুহান [illegible] ডাং [illegible] [illegible] [illegible] কম্মন্ট গীব-ব্রকপগীদমক অইনা [illegible] [illegible] [illegible] লুকপা উচ্চরি। লাইরিক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হাবিখিবা ঐগী মরুপ [illegible] যুমীন, রাজেন, ভাগ্য তোম্বা, ই.বীরচা,

ইবোমচা পুক্লিগী লম্ফম তোমশিল্লবর্নি। অদুগা পল্লমত্রবা য়াত্রবা শেলগী তেংবাং পীবিখিবা পুক্চেল চাওয়বা চাওগবি, চাওবা ওঝা যুগীন, ইবোমচা, নিনাই ওঝা ইবেমহল, ইবোতোম্বী অমদি ইয়াম্বা কেসোনি। প্রেসকী মেনেজর ষ্টাফ অমদি হোলসেল প্রেসকী ইয়াম্বা ইবোপিশক মখোয়গী পীবা মতেং পীবিখিবগীদমক অইবনা হয়া হয়া থাগৎচরি।

অদুগা অরোইবা ওইনা থাগৎচনিংবদি অইবগী মরুপ অনিশনি। লাইয়েকপগী হিয়মদা যপান্দা চংতুমা অতাবা ডিগ্রি পাইহুনা শক্লাইবা মী অমা ওইজরবসু মগাকী অচম্বা লৈচৎ তেংবাংনিংবগী য়াথল কিদমসিংডাইনি। তেল্লবা মতমদা ওথনা য়েংখিবসু মহাক্তনি অহবু খুই তম্না চংহুনা তেংবাংবিশ্রবসু ল'নথ্রবা য়াহৈগী বনানগী-দমক্তদি অইবা অমদি প্রেসপু চাকপিয়ু। মথংগী খু'নমদা চুমথোকচগনি।

২২/৭/৮০

মী অমত্তং

চৌকিদা কল্লি হকচাংদি
মাখলদি পাক্লবা সংসারদা
মনিং তম্মা কোইহনা শাগরি
খঙ্হোক্লা য়ানা মুংঙাইনা।

খুত্তা পায়রিবা কলম্মা
থেংনরকপশিংহ্ খোংচিল্লি।
খোংচিনবহৃমা শাক্কিনি
থৌরবা ঐশী মীৎয়েংদা
মীত্তুৎখোং কাওনা চৎম্রিবা কল্পনাবা
উক্লবা খুদিংমকপু মথল্লাই পালগল্লি
তাক্লবা খুদিংবু মুংশিহল্লি।
নিংশিংবনা অকাওবশী কিসি থোকপি
মুংঙাইবনা অরাববু থেমজিনবি।
চাংদবশী রাক্লদে নৈতবশীসু থরুদে
তোঙানবা সংস্কারহুদা যাথলনা পেনত্রিকাওবা
খুত্তা কলম পারহ্না ঐ
অহুম কল্লি অহুম কল্লি।
ঐ সংসার অমা কোইকরে
মথোম্লনা য়োবা ওমদবা
ঐতনা য়োবা ওম্বা
কলম্মা শাক্কিনি
খোংচিলহৌবহ্না প্রনাম্লি।

মন্নুংদা য়াওরিবশি

	মীং	লামাই
১।	পুথখয়বা পুন্সি	১— ২
২।	লোৎচনিংবা	৩— ৪
৩।	ঐনা শিথ্রগা কপ্পিংক্কু	৫— ৬
৪।	কারবার	৭— ৯
৫।	থবক	১০—১১
৬।	খন্থয়বদা	১২—১৪
৭।	পুক্লিং ইথিল	১৫—১৬
৮।	লৌখৎপা	১৭—১৯
৯।	থাজৈমৈ পোদোন দোছি তেঙ্গালি	২০—২১
১০।	কাং চালি	২২—২৩
১১।	অরোইবা পাউদম	২৪—২৫
১২।	কবি স্বয়ম্বর	২৬—২৭
১৩।	তেংথাখোল	২৮—২৯
১৪।	থংদবা য়াংমচুগী য়াহং	৩০—৩১
১৫।	থরাইবু নুংশিবা	৩১—৩৩
১৬।	ইমাগী অশীর্ব্বাদ	৩৪—৩৫
১৭।	শেলগী নিশা	৩৬—৩৬
১৮।	মরূপ শঙ্গ	৩৭—৩৮
১৯।	পোক্লফম লমদম	৩৯—৪০
২০।	য়াশক মংগ্রেম্নবা	৪১—৪২
২১।	মীংশেল য়েংসি	৪৩—৪৪
২২।	খাণ্ডবুথক্তা মাঙফদে	৪৫—৪৬
২৩।	নহা	৪৭—৪৯
২৪।	অহাবা নুংশিবা	৫০—৫১
২৫।	চিংখাইনবা	৫২—৫৩
২৬।	মীওইবা	৫৪—৫৫
২৭।	লৈশিল্লক্লিবা ঈরৈ	৫৬—৫৭
২৮।	সণ্ডাইসে	৫৮—৬১

কৌ
রেং
রোদ্দুর

বীরচন্দ্র

[illegible]

পুথখরবা পুন্সি

তাবিরিবরো ... ...
করি ওইরবনো ?
চিঠিশিমতা ... ...
মপু লৈরে।
(খরৈ তুংদা)
তাম্মো ;
ঐবুরা ?
মানি।
ঙসি থাবল লৈযে, হয়েং লিলা যেংবিরোইদ্রা ?
কৈনোমতা হায়জগে ;
করিনো ?
নুংশিয়ে ... ...
হাইমা !
পাম্মে !
মতাঅমানিনে অচ্চা !
চেল্লসে ... ...
ঙসিদি নুমিৎ ফত্তেয়ে ... ...
(খরৈ তুংদ)
তাবিরিবরো।
উঃ
ওফিস চৎলরোইদ্রা ?
ওফিসকী থবক তৌদে।

ঙ !
গাড়িদি ··· ··· ···
অরাইবনি।
তোইনা লাকঅম্বহুনা কনানো ?
শেন থৌবা।
অসঃ
মীনা ঙাংনরিবসিবু চুম্ব্রা ?
করিবো !
ঐসে ··· ··· ···
অং অনিশুবী।
করিগুম্বা অমত্তং হায়জগে
হায়য়ু ··· ··· ···
নুং খুনবা য়াওরুরগে।
ঙাইখো ··· ··· ···
য়েলহাং কেংঙোই য়োল্লুরসিরা ?
য়াদ্রি, য়ুমগী ইজ্জং, ঐগী ইজ্জং
মমা— ভারিবরা ?
হুঃ
অরাংলোমদগী লুপা য়াথৈতা লৌরুচো ··· ··· ···
অমুক্তসু, অমুক্তসু ··· ··· ···
ঐ চৎলে॥
অঙাংশিংদি ··· ··· ···
মপাগা;
অতোম্বদি;
মমাগা মরাইবক্কীনিদনা—।

(পুখ্রবা পুজি)

লোংচনিংবা

ঐগী যৌবনগী তঙনবা অয়ুক্তা
পুন্সিগী অহানবা লানফমদা ..
থেংনরুই অহানবা ওইনা মহাক্কা
রাখলনা শাগৎচবা পাক্লবা হিরুবাক্তা তোং
পাখংগী নৌহোন পায়হুনা পুক্নিংগী য়োৎফম থুদিংদা
মা—ঐ, ওই—যেং,
সুংঙাইরবা তাইবংপাল অমা য়েংলুই।
করিগুম্বা মতমদা চৎনবিগী রাংমা লাম্থোক্তুনা
পাক্লবা সংসারবু লানথোক্কে তেমশিংলুই।
মাতৃপ্রেম বিশ্বপ্রেম কলপনা রহস্যনা থুমহংখি
মা-ঐতগী ওইবা ইনৌ নৌবা পুন্সি হোংগে খল্লুই।
পুক্নিংগী ইথিল্দগী রাখলনা রাবিহুনা
অপাম্বগী ফিজোল থোন্দুনা
সুংশিববু মউ লিংগে হোৎনখি।

নিংশিংবগী লাইজ খিক্তুনা…
উইলগী অকনবা মীৎযেংদা…
তপ্না তপ্না মযোন চোংলকখি ঐগী মুংশি পাম্বী
ঙসিদি হোৌবে কাইদোং ফারে
ঋতুগী যাওল খুদিংদা…
মাগীস্থু শরুক থুংলগনি
জগ'কী লিলাদা মহাকস্থু শরুক যাবগনি
খংনবগনি খ্বাইনা
থম্মোযগী কাচিন্দা মদোম তুমিন,
তেক্ত কাইদ হৌবিবা ঐগী নুংশি পাম্বী ·
মতম খোংলোই ফৌবোহ তু হন্না ··
অদুবু,
লাক্ত্রিমখৈ মতমদো শংচাবিস্তু মৈতুখ্যন্তু
ঐগী থম্মোয কাচিন্দা
মদোম তুমিন নিতন্না ॥

(লোংচন্নবা)

ঐনা শিগ্রগা কপ্পিরক্কনু

হুযেং ঐনা শিগ্রগা কপ্পিরক্কনু
ঐগীদমক ধর্ম্মগী হৌনবী অমত্তা তৌবিরক্কনু
অনেকপা পালানা চিনফাগী শৈরোল শকহনবিরক্কনু
থম্মোয কাযহৌরবা ইমুং মনুংবু তেংথাহনবিরক্কনু।
ঐগী কর্ম্মদা চংগদবা শেনফমহুদগী
তংখাই অমত্তং লৌবগা
ঐনা তিম্নজরম্বা মরূপ-মপাংশিংতু কৌবিয়ু।
ঐগীদমক লৈনা অনমমতং কংহনবিরকউ
ঐগী আত্মানা পামজবদি মহুনি
মরূপশিং ঐনা শিগ্রগা কপ্পিরক্কনু
নখোযগী তেংথাখোল ঐ তাবা উমজরোই
নখোয়দি ঐগী মরূপনি।
নখোয়বু ঐনা নুংশিজে
ঐদি মরূপকী মপালনা হিংলম্বনি।

শৈবেং যেন্দায

ঐনা শিখ্রগা ঐগী ৱাবীবু
নখোযগী চাবোলদা ৱারী তৌবিবন্সু
নখোযগী থৌদোক খুদিংদা ইমাবু বার্তন তৌবিযু।
ইমাদি নখোযবু যাম্না নিংজবনি
তত্তনা মহাক্‌পু খামজিনবিউ
মহাক্তি যাম্না কপকনবনি,
মহাক্কী তেংথাখোল তাহনবিবক্কনু
ঐহাক তাবা ওমজরোই।
ইরৈকাই মচাশিং
ইরৈকাইগী কৈরোই পুন্নমক
ঐগীদমক পোৎপাং, শিংঙেল পিবিরক্কনু
ঐগীদমক্ষ কবিগুম্বা অমতা কৎপিবক্কনু
ঐনা পামজবম্বা, তৌজরম্বা খুদিংমক
নখোযনা মখোং শোম্বিরকউ
ঐগী অত্থানা পেনজগে
নখোযদা ঐগী থাজবা যাম্না লৈ।
ঐগীদমক মতুদং তৌবিরকউ।

(ঐনা শিখ্রগা কম্বরকনু)

কারবার

নোংমন্থ, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল কোনাহুদা
কারবারনি ঐদি পোংচোই য়োনবা
মীয়াম তিনফম খুদি দা ঐগী দুকান
বাবুজি পৈশা মঙা-তা
তরা পিববহুনা মাম্থু চংখি, হুরাওখি বর পিরম্মী
মিনি বসতগী কুমথরকপী শকহেল্লবী মৌনহাদু
স্কুটর থৌবগী মনিং নপ্তুনা চংখি
কৈথেলনুংদা ইরাং লাং কাতু কারন মুংভিগীনি,
অয়োনবগীনা শেন্দেং, অরৈবগীনা ওইজবা
হান্নগী নত্রে কেতুকী
খোইগা শেংথরহুমা শমজী থোন
পোং য়োল্লে, সনা শিরে, চন্দোন থিল্লে।
হোটেল মনুংদা চা গিলাস অমা
নয়াপৈশা কুনমঙাগী বিড় মপুন
মৈখেংনা মীঙোন্দগী নিবা
দুকান মনুংদা মশম কাওমুক নান্না
লেপ্লি ময়াংহুম্থ মখুং জুর তৌরহুনা
মমিং উইশিল্লগা লক্ষ্মী ফোটো মমাংদা
মাংদা লেপ্লিবা ভিক্ষারিহুদদি পৈশা অচোইবা লৈতে মহায়খি
লাইবক্তা চেংগা লোইনবা শিন্দুর অঙাংবা
নমশকার, নমশতে গুড মোরনিং,
নোংঙানবদা ঙাইরিঙৈদা হোটেলশিংদা
চাগীদমক ক্বক ক্বক

শৈরেং য়েন্দায়

তল অমা, শাক অমা —
চন্দোন নিংথিনা থিনবা অহলদুস্থু
ইকুজদবা পুজারিনা হৌব তলদু উমশাংনরি
সিনেমা হোলদা অন্নাংবা নিপাদুনা
মশা নানবা নহাশিংদুগা কাচিন্দা জুক জুক
টিকেৎকী মমল তিক্করি।
নাক্তুগী পুলিসতু হুইসেল খোংদুনা মমাংলোমদা চেনথোকখি।
কলা বাজারদু মনিং তমহৌই।
সাইন তৌবিবা পুলিসতো নৌজরিবী মুপিমচা অদুদা মমিৎ থমলি
সরক অদুদা মীনা হিযাং তান্নরি
রিকসো ড্রাইভরদুদি দণ্ডি পিখি।
গাড়ীগী মুংশিৎ থাদোকপিখি
চিল্লবা মীবকতুদা অচৌবা তাতাদুনা পু চৃপ্পা
খাম্বদুদি কনানস্থু থিংলুদে।
কাক্ কাক্, কেক্ কেক্
নাকন্দা য়োল্লিবা মযাং বেরা যোনবদু
চিক্লা কারবার চত্থরি
উপু দুকান্দা ফমলিবা দুকান্দারদুনা
পেনবা খুদিংবু কৌশিল্লি
তই পুনবা মশা নান্ণা নিপাদু
শিকি অমা তাউ যদবগী
বিকপো ড্রাইভরদুগা খংনবি।
হেক স্যুট শেংপা প্লেণাবশিংদু মীবক থাইনা চংখি
কাংবু কাংবু, মপৈ মপৈ
পান-দুকান মিথা-পটী, জাবদা
স্কুটর তোংবদু জাবদা পান তরামাগোই লৈরগা চংখি।

(কারবার)

নহা নিপামচাহ্ লফোই লফাং অমা লৈবগা চংখি
ফ্লেগ থেংপা কাবদা তোংলকপা মন্ত্রিহ্
শবেং অহ্দা যেংনা যেংনা চংখি।
নিংভগী ঐগী কাববাব
মখোযগীস্থ কাববাব
পাওল মচাহ্না শেংনা হাযজববহ্দদি
ওইজবে হাযহ্না লুপা নিফুমংগী ফি অহু
লুপা কুনদা লৈহৌবে।
যুমদা খংলে অমুক্তমক লিংপা যাবা
সিস্থ মাগী কাববাব
ঐগীস্থ কাববাব
পুংসিস্থ কাববাব
পুন্নমক কাববাবি॥

খন্থরুবদা

অহানবদা অয়ুক্কি

পুন্সিগী অহৌবা তাঙ্কক;
যোংদসু নহা ওইরিঙৈ ফজৈ
নৌরিঙৈদদি শামু মযাগী মচিসু থোংলি
থবক্কী শিন্থা য়াংই
নুংঙাইবগী ইহৌ মক্তনি
ধুপ আরতিনা লাইশোল তিনশোন্না
খোঞ্জেল পুম্নিল নিল্লি
মথংদা নুংথিলনি
কাইদোং ফারবা হেক্লাগী পুন্সি
মপুং ফারবা রাথল
হৌনবী সুরবা হকচাং
মশা ইৎচরবা পাখং লৈশাবী
কনাসু কিরুদ্রবা নহাগী পুন্সি
য়ৌবনগী য়ক লাওবি
মথংদা করি ?
মথংদা অহিং

পুম্নমক্কী পোত্থানবা মতম
পুন্সি মক্ক হূন্ন মতম
অচিকপা পুন্সিগী অরোইবা শরুক
খুদোংথিবশিংগী পুন্নফম
ডাকু হুরানবশিংগী মতম
অরি-অনৌ শিন্নফম
অযুক, নুংথিল, অহিং
অমা, অনি, অহুম
অহুদগী কবি ?
অহুদগী অয়ুক হান্নগী পুন্সি
কুবোল হুদোক্লবা লিনগী পুন্সি
অনৌবা আশা, অনৌবা পুক্নিং
তেকখৎলবা হকচাং
অহুদগী নুংথিল ;
অহুদগী অহিং অয়ুক ;
ভূট প্রেট স্রোট স্রাট
অশিবগী লৈবাক
শরু ভাকুগী মীশিং
মতোং যাওদ্রবা জিবশিং
হুই, হৌদোং তুমিৎ কাং
মহুদা লৈরম্মী
নমথিরবা পুম্নবা মীংচৎ
চৎনদ্রবা তোকভা
মীওইবগী মীওইবগী
শাগী শাগী
মখোয়না তৌরম্বা শিনফমগী ৷

(ংম্বুকুবদা)

লৈপাক মমুংগী শরু মচেৎ
মুংদা হক্লম্বা ময়েকশিং
তেক কায়রবা ফুরা দলানশিং
মতমন্থদা হায়গনি
সিদা মী লৈরম্মী সিদা মী লৈরম্মী
অছদা ঐস্থ হংনরকনি
কনানো কনানো কনাগী মচা:নো
জাতি, ধর্ম্ম, চৎন-লোনচৎ
কুক কুক ইন্নবা খুম্নরকনি
শরুনা শয়াংনা
মতোংখাকশিংহুনা
সিনি সিনি সিনি
অছুদা ঐনা খুমগনি
খোঙ্জেল লাওনা হায়গনি
ঐদি মীওইবনি ঐদি মীওইবনি
বুদ্ধি লৈবা মীওইবনি
অতুপা খংত্রিফাওবা তাকনি
ঐ, নং, মা, নখোয়, মখোয়
অদুনি অমত্তনি ॥

পুক্নিং ইথিল

নুংশিবা ;
ঐঙোন্দা নুংশিবা তম্বারকনু
হৈক্রু মনাগী অপাকপা শম্না অমগী অথাবা
অতুফাওবা ঐঙোন্দা নুংশিবা থম্বিগনু
ঐদি নুংশিববু কিজে
অহুবু ;
ঐবুদি থাজবিয়ু, থাজ-বা হোৎনবিয়ু।
নহাকী থাজবতু ঐঙোন্দা উৎপিরম্মু
ঐদি থাজববু ইরাৎচবনি
ঐহাক্কী পুন্সিদি থাজদববু থাজহনবনি
অমগা অমগা থাজনহনবতনি,
মীবু মীনা শক্ খংহনবতনি।
ঐহাক্না নংবু থাজরবদা
নংনা ঐবু থাজরবদা
খুদিংমকপু নং—ঐনা থাজরবদা
করি ওইগনি পুন্সি ?
থম্মোয়গী শেংলবা মরোন্দা
রাখলগী অপাম্বা উনবী পুক্নিং ফোংদোক্লহনা
চাওরবা পুন্সি লানফম
অমত্তা ওইবা মীৎয়েংদা—
নং—ঐ, নখোয়—ঐখোয়
অমুক্তং নোক্মিন্নরমলগা
মীৎনা উবা তাইবংপাল
চির বিদাই পীরমখি।
মপু মাগী মফমদা—

ঈশ্বব মাগী মকাদা
যাইফ পাওজেল পিকুরসি।
নোক্ল মহৈ নিকুরসি
হে মীওইবা,
ঐগুন্না হিংলিবা নখোযশিং
নখোযগী চানবিবগী মথাদা
নখোযগী নুংশি মীৎযেংদা
ঙবাংফাওবা হিংলকপগুম
ঙসিসিস্থ হিংমিন্নথিসি
হযেংফাওবা লৈমিন্নথিসি।
মত মান্নবশিংগী চান্নবা
মান্নদবশিংগী খৎনবা
কল্লকুবগী যেংথিনবা
অশোনবগী রাকং
অকনবগী শিংনবা
মাঙব-তোংবগী কাববারদা—
মীগী ঈ-চুপ্লিবশিং
ঈশাগী ওইজবা থিবদা
উশিন্নদ্রবা মীৎ, তাথিনরবা না
নৈননবগী মচাক্লা অসি যৌনা লৈববদা
কবি তৌরি নখোয ঐখোয
ঐগী নাক্তা ফমলবো
নহাক্কী নাক্তস্থ ফমলরগে
নৈনরসি খন্নরসি, চান্নরসি
হে মীওইবা ঐগুন্না হিংলিবশিং

(পুন্নিং ইথিল)

লৌখৎপা

তানিংই খংনিংই নংগী ৱাথোক খুদিংমক্
শানিংই ৱারি নংগীতবু
ওইহন্নিংই খুদিংমক নংগী মরি লৈনবা
শাখিগনি নৈনখিগনি তত্তনা নহাকপু
পীরি ৱারীতনা ঐঙোন্দা নুংঙাইবা
থম্মোয়গী শান্তি, হকচাংগী নুংঙাইবা
অপেনবা, নোকচবা, নুংঙাইজবা
ঐ নুংঙাইরে, পেল্লে পেঞ্জরসনু থম্মোয়
নহাক্কী নুংশি পরিক্ষাদা
ঐ মাই পাক্রে — ।
হুইদ্রে ওসিদ মাইথিরবা লান্মী
পুরক্রে খ্বাইগী মাংদা ঐগী জয়
ওসিদ লাউরগনি ঐহাক
থংহল্লগনি মীপুম তিংনা
অৱাঙ্বদা খেংলিবা সমুত্রগী ঈৱাঙখোল

লাঙকুচো ঐগী পাউস্থ শিনথুংনা
থেক্লা থোইনা চেল্লিবী পুক্তপ্পী তুরেল নগাকস্থ
পুখো ঐগী পাউশে পাউথাং শিংনা
মফম খুদিং
মলয়া নুংশিৎ নাম্মীবা, কাক্তা নুংশিৎ অযাংবা
পাউদম্মুচো নহাকস্থ নাপ্পা চিক্লা মকাদা
ঐগী রারী, ঐগী জয়গী রারী
ইকাইথিবী নরমচৎ পাংদবী নহৌশা
হাযজনিংবা কযাস্থ হাযঙমদা—
তমজনিংবা কযাস্থ তমঙমদা—
মাইথোং থাজ লুরুক্লা—
খোঙবী লৈমায় শ্রু তক
মীৎলু পিরাং খুমহৎনা
ইংঙ'গী নোংহৌগুম ঈহৌরকপা পিরাংলক্তা
তমলকথিবা থম্মোয় প'ওদম খিবিকস্থ
ঙসিতমক যৈররি ঐগী থম্মোয নাপ্পদা
পুরক্লি অতপ্পা খোংথাংদা অপেনবগী ঈচেল
লানজদবগী মহৈ ;
পুরক্লি অচুম্বা রাই ঙসিতমক মতমনা
অতুগা অমুকস্থ নিংশিংখো তাখো—
ইথম্ভগী বুধিনা ইমাম্নবশিংগী থৌইনশিন্দগী
লোইবা নাইররোইদবা রারিশিং
থৌদোক খুদিংমক ঙসিদি
লাইরিক্কী চেনা অমমম ফাক্তোরকপগুম
অমমমতং নিংশিংলক্লি।
লামৈ থানবীনা কুফেৎ কাফেৎ ঙানবগুম
(লৌথৎপা)

ঙাল্লরি ঐঙোন্দা অয়ুক নুংদাংগী
ওইরমলবা করিগুম্বা নং—ঐ
কাংলুপ অমতগী নুপা নুপা, নুপী নুপী,
ওইরগদ্রা, থোক্লগদ্রা, ঙসি নং ঐগী ফিভম
মাইযোক্লবা শানফমদা জাতি বিজাতী খায়নদনা
জয় পরাজয়গী মীৎকুপ্তা
করি ওইরমগনি নং—ঐ
লাক্লো, তিল্লরো, পুল্লরো ঐঙোন্দা
শেমলসি নিকুঞ্জবন লাইরৈবাক্কী স্বর্গ
পৃথি থক্তা
নংগী নুংশি পরীক্ষাদা মাইপাক্লবা
ঐহাকসে ওইদ্রবনি কনাগীযু নঙাক্কগী নত্তনা ।

(লৌথংপা)

থাঔমৈ পোদোন দোছি তেঙ্গালি

থাউমৈ পোদোন দোচি তেংগালি
কুচু মুবা লৈতেংনা ইমাগী লাইবক্তা থোল্লিবি
মচু মবেক থোক্ত্রবা কেবোশিন মবেক কাববা হকচাংদা
খুৎপাই তোইনা পাযবমা ইমাগী খুংকী মযি লৈরিবী
শোল্লবী ইমাগী লুকমায থোগল তৌবিবী—
নহাক্কী মুৎশি মৈবি মঙালদা
চৎথবি নুংতিগী ইমাগী কাবৰাব।
তাল্লি নুংতিগী চাবা পিক্ল মচাশিংবু থারবা
মমলবদি অহিংদা অকি অখঙ কযানি
হবান চিন্তি কোঙ্গাযনি
থাগোনজবদগী নহাক্কা কিস্রি কনাবু ইমানা
যোল্লি নিংঙাইদনা পোংশু
পুবক্লি অচাপোৎ, চেং-চাক
কৈথেল কুম্বা খুদিগী
অইংবা, কল্লবা নুংশিৎকী শাফুসু
নোংগী লিক্লা মবক্তশু
ফেৎ ফেৎ হাইবমখৈ নহাক্লা

তৌরি ইমাগী সেবা
শেন্নরি মীৎকুপ খুদিং
ইংথমথাগী উল্লেন্দা চিংশিনথ্রবা হকচাং
নিকথ্রবা খুৎ
পিবিরি নহাক্লা মৈশা
থিনবিরকলি মুংতিগী য়ুম তান্না ইমাবু
নারক্লবদা ইমা ফমশেন্নরবদা ইমানা
অহিং মীৎশেল থাংলি ইমাগী নাক্তা নহাক্লা
থাউমৈ পোদোন দোছি তেংগালি
ইমাগী লাইবক্কী শিন্দুরনি নহাক্তি।
কুচু মুবী তমুবী--
নহাকপু উবদা লাইবক্তা ইমাগী
নোক্লরি সমাজনা
কৌবিরি অঙাওবী
পেং চোইবী
অহুবু থাউমৈ পোদোন পুক্তপ্পী
শাওথিরোই ইমাদি হিংমিন্নরিমখৈ নহাক্কা।
হৌমিন্নবসু নহাক্লি ··· ··
লোইশিনগদবসু নহাক্কনি ——।
চুবিউ নহাক্লা ইমাগী চিন্তা
অরোইবা মীংকু গ্গা ইমাগী
লৈবীয়ু নহাক্লা নাক্তা লেংদনা ঐহাক্কী,
কোনবিয়ু নচাবুসু ইমা শক
থাউমৈ পোদোন দোছি তেংগালি
ঐগী লাইবক্কী শিন্দুরসু নহাক্লি॥

(থাওমৈ পোদোন দোছি তেংগালি)

কাং চালি

নিল্লরে অমুক হন্না তাররে নৌহৌননা
"জয় জগদীশ হরে"
পূম্লরে মীপুম তিংনা অহল নহা খাক্তনা
মপু মাগী থৌগল ফংননবা
মাগুব খুদিং নিংথিরে
মথৎাই অমুক হাপ্পিরে
লাক্লবদা চহিগী জগৎ বন্ধুগী কাং
মাগুব খুদিং খিচড়া জগা খুদিং চালি
খুবাক-ঈশৈ, পাস – খেল্লা কাংগী খুদোল অনৌবা
লাক্লরে অমুক হন্না শক্লরে হরিগী গুণ
অরাবদা নুংঙাইবা
নুংঙাইবদা অরাবা
মপু মাগী খুৎশেমলা

হংলরগনি ঙসিদি
জগৎ বন্ধু জগনাথ
জগৎপু শেম্বীবা ইবুংঙো
লেপ্লন্মী নোংমদি শারন্মী মপাংলক্তা
চালি খুৎথেক কায়দনা
শংবানবা ফিজোল শেৎ
পেনজখি থম্মোয়না চাওথোক্‌চনা য়েংজখি
ফমহুনা মাগুব চুথেক মুংতিগী
মাগী খুৎথেক কয়াদো লোৎনা য়েংবা মীৎয়েংদো
মুমিৎ অহু ঙসিনি
জগা অহু মসিনি
অহুবু ঙসিদি শারদ্রে চালি
শক্লদ্রে হরিগী গুণ মপাংলক্তা হান্নগুম।
হাপ্পিরদ্রে ঐঙোন্দা থাজবগী ভিক্ষা
কদাই ঐগী মুংঙাইবা
লাক্লি ঙসিসু মখোয় পূম্বা য়াওরি।
লাক্লি হান্নগুম মরুপশিংসু ঐহাক্কী
চৎনবী রুহিগী অরাংবা পলদা
সমাজগী চীরোংলবা মীৎয়েংবু কিবনা
লৈরবরা ইনেমচা নিংঙোল কাদা লৈহিক্লনা
থোরক্লে শাররো জগোই
উৎলরো চালি খুৎথেক নহাক্কী।
নিহোৌরশি অপাম্বা নং ঐগী
জগৎবন্ধুগী কাংনা লাক্লিঙৈদা—।
জয় জগতে শাহুরে ॥

(কাং চালি)

অরোইবা পাউদম

থাজবগী মঙালস্থু লোইখবে
নুংশিবগী মমিস্থু শামলক্লে
অহোংবা নাইবা পুন্সিদা
ঐগীস্থু অগুনবা লাক্লমাল্লে।
থাম্নগনু পুক্নিং
নুংনাংলগনু থম্মোয— ।
কোমথোক্লগে পুন্সিগী থৌবি কোঙ্গোয—
তিল্লুবগে ঈপাংলক্তা মতমগী লিশা ফমপাক্কী
মপুগী নিংথিরবা লৈকোন্দা
শাৎচকুরগে ইনিং তম্না।
পুন্সি ময়া ঈপাক্কী
অরা অনাগী হিদেন তাফম খুদিংদা
তত্তনা খোংবু ওইখিবা
ঐগী যৌবনগী খোংলোইশিং

ঙাইরমগে নখোয় পূম্বা বৈতরানি খোংবান্দা
ইশাগী লাইবক্তা কারিঙৈ
ঙুংঙাই মউ লিংলিঙৈ
চিন্নরম্বা মরুপশিং
খংনরম্বা থুদিংসু
উনররশি অমুক হন্না মথংগী লাংঙোন অমুক্তা—
জেলগী ফক্লাং অকোযবা
নাক্তগী হেন্দোক্ত্রিবা সিফাইশিং
তম্মু শিশিংনা তোংথাখোলসে ঐহাক্কী
তামথ্রবা চীংলোন রাংমগী ঈমালৈপাক মণিপুব
লৌবিউ নচাগী লাপ্পা শকচবা প্রার্থনা—
অরোইবা থম্মোয়গী তর্পন
তৌজরগে শেবা অমুক হন্না ইমাগী
শান্নজরগে নিং-তম্মা ইমা নংগী ফমবাক্তা।
হন্দকমুক্কী মপোকশিন্নগীদি য়াওক্রুরগে ঐহাকসু
মপুগী লিলা ফমপাক্তা
তাইবং কুম্মে উৎলুরগে
মপু মাগী পেন্নবা—— ॥

(অরোইবা পাউদম)

কবি স্বয়ম্বর

ক

ঐদি কবিনি কবি
পুন্সিদা নোকচবা পুন্সিদা কপচবা
লাপ্পা শন্দোকখিবা চীংগী নাপোম
অশংবা লৌবুক প্রকৃতিগী খুংশেম অপুন্বা
ঐগী কবিতাগী হৌফম্নি ।

বি

ঐদি কবিনি কবি
নহাক্না নোকপা, মখোয়না কপ্পা
থক্তা থোক্লিবা থাজ থাবলগী ঈপোম
নোংমদোল খেৎনা পাইরিবা লৈচীল
ঐগী পোথাজফমমি
ঐগী কবিতাগী মচাক্নি ।

স্ব

ঐদি কবিনি কবি
ঈরোং ফাংনা চেনশিল্লকপা
মাখলগী ঈনোৎ খুদিংমক
খুৎতা খোজৈ পায়হনা
খেৎচিনজবনা ঐগী ইথৌনি ।

য়

ঐদি কবিনি কবি
করিগী কে'রি নখোয়না ঐবু অঙাওবা
সাহিত্য প্রেমিক ঐহাকপু
থমগনু খেন্নবা মীৎয়েং
ঐগীস্থ থম্মোয় পাল্লি।

স্ব

ঐদি কবিনি কবি
ফজবা অহাওবা অহেনবা ঐগীস্থ তাল্লিবনি,
নখোয়গী মুংশিবগী স্বয়ম্বরদা
ঐবুস্থ ফমফম ফংহল্লু
অয়াম্বা পুকচেল খুরবা মীৎয়েংদা
লৌগনু ঐবু শেরান্নন৷ ...।

র

ঐদি কবিনি কবি
চিক্লবা অহিং ইংলবা থাবলগী ইপোমলক্লা,
লাংলবা কারথনাগী মখোল্লক্লা
লকানুংগী শেংলবা, লৈকা খুদিংদা
লারবা ময়েক্লা ইহুনা লৈরিবা
রাহৈ কয়া হায়জগে থমজরি।
ঐদি কবিনি কবি নখোয়গীলক্লাহিংলিবা।

(কবি স্বয়ম্বর)

তেংথাখোল

শ্রুউন উপ্পা খোংহুনা—

তং—

হন্দমুক্তী অকাসতা ষ্বাংনা
মাইকৈ খুদিংদা ঐবু য়েংনরম্মী।
ঐস্থু মখোয়বু শেংনা উরে
শংলবা লমপাক অকোয়বদা মীগী সমুদ্র
ও! অমুক্কস্থু নৈপাক য়ৌদ্রিঙৈদা

তং—

অমুক্কস্থু, মফৈ চাওবা নিপাহুনা
ঐবু শরাক শান্নবিরি, খোংগোইবীরি
খুদিংমক ঐগী কনা, ঐগী কনা
অমনমুক ফা অমনমুক কাও
খা—অৱাং খংদবমথৈ ঐবু গোলপোষ্ট
ময়াহুদা লান্নবিরে।
ঙকশম লাক্কুনা গোলপোষ্ট মন্নুংদা
ইনশিনগদবগী হোৎনরি।
ফিরিরিং ফিরিরিৎ,
হান্নগুম্না ঐবু মনিংলোমদা-পুবিরক্লে,
হকচাং অসি পোপ্লে,
কোক্ অসি ঙাওরে,
অহবু ঐগী কনা ঐগী কনা—
মুংশি চাওবা অহলহুনা অমুক্তংদি
ঐবু কাহুনা থম্বী—।
মাস্থু ভাবোক্সি, কুম্মৈহুগী ভাবোক্সি।

মাগা ঐগা করি শম্বক্কী ?
পন্দে অমুক হনজিনবিরকলে সরাকসংদা
হান্নগী নিপাহ্নি
মাগী শাউন উ.পা খোংহনা
চবেং চবেং ঐগী মাইদা-মীংতা
খং—খং, কোক্—কোক্
মতা অমা ওইনা শরাক শান্নরি
পুক্কা খোংপাক্লা কাওহনা
গোলপোষ্ট মক্লুংদা, ইনশিনবিরে।
হন্দকমুক্কি মহাক ঐবু য়েংলমদ্রে।
অহুম চংগ্রে অহুম চংগ্রে।
ঐবু 'শুম লৈরদ্রা মফমসিদা—॥
শিরা ঐগী অশেংবা লৈফম ?
মহাক্কি লাওখরি জম্বগী খোল্লাও
অহুগা, ঐনা
অমম্বা কাহ্নদা অলমারীগী মথক্কুন্দা—
হেদো খোংলবা হকচাং,
পোপলবা মাই—মীং
ইপাংশিংলক্কা লংশনবিররে—॥
তুমথবতা ভাইরি অমুক্কশু
নিপা অমনা, তুমশিং কাইহল্লে
অলমারি মক্লুংদা হাংপাচিনবীরে।
ইপাংশিংহুগা শেগাইনরে।
শিরা ঐগী পুন্সি, লাইবক
মথংদা করি, হন্নেংনা করি ?

(তেংথাখোল)

খংদবা ৱাংমদুগী ৱাহং—

খুংদবা ৱাংমদুগী ৱাহংনি
অং মানি
চৈতেন্না মথঙ্গা ওন্থোকপিরবা অপিশক
কাকফৈদুগী ৱাহংনি—।
মশা অমুক থদং, মখোং অমুক থদং
মথুন্দা চৈ লেংশিন্নবা হৈযিংদুগীসুনি—।
অদুগা চবা অমগীদমক
শখ্বল খাদবা হিঙ্গোলদুগী হরাইমজোল থংলুবগীদমক্
মমিত্তা নাওরি মকু, মকোক্তা লুংহৈম,
খুবাক্কী চৈথেদা মথৃপ খদনা লেন্নবা—
মবাইবক থিববা কাংদনু
চারা অমগীদমক, শুংগী চবা অমগীদমক
মথাইবু অশিংবগা-এ নিং।
কদাই ঈশ্বরবদি হেল্লবগী মপু চানবিইবা
প্রেহ্লাদবু কনবিবিবা হে দয়াময়
নাপলনা থুম্মাংলবা নিপাদসু হরা গাড়ী গুকদা মৃত্যু
কনা লৈজদ্রবা লাইরবা মচাদসু লোটরি টিকেটতুদগী
করোর পতি
শিরে খন্না সম্বৎসর লোৎথবা মপাগী চিঠি
শক ফজবদা হায়নরম্বা মচানসু
লাইথোক্লুবদগী চান্নবা মাই
মসিসু ঈশ্বরগী লিলা ?
লাঙ্গদ্রবা খম্বসু থোইবিগীদমক্

শামু খোংয়েংতুনা চেগাইথক্তা
ঈভাং পাংতক্লা ঈমু পামফেন্না চিংখিবা
অদুগা থম্বালকুস্থু শাশিন্নবা শেংদবা মাইবিগী লাইফাণ্ডো
লৈবাক্কী উশিল ॥
ন্থু শিবগীদমক, ন্থুংশিবগীদমক ত্যাগ
মসিস্থ ঈশ্বরগী লিলা ?
ন্বস্বা কর্ম্ম যোগ ?
কোনো লাক্লবা শাক্ষিহু
শ্রীমদ ভাগবদ পাইহুনা রাশকথি
অউবতা হাযগন, অতুবতা তমগন।
হাযদোবকপনা ওন্ন তৈনবা !
লৈবাক ঙাকপদুস্থ চিংদংদ
সত্যমেব জয়তে, নম জবাদ
মন থোংদনা, শেন চাবগী মমল তিক্লবা,
অকুংপদা লৈতোবা, অহে বদা লৈথোনবা
শিস্থ ঈস্বরগী লিলাবা !
পুকদমক নুপীদুনা
ঠিংশাবদুদা পুং অমগীদমক মশাবু বক্প
মাবেবাক্কীদমক নোক্ল নেক্ল মথরায কৎলিবশিং,
মন্দর মন্থুংদা ঈস্বরগী মম দা—
হরিনামতনা চিঙাক ওইবরা বৈষ্ণবশিং
ঈস্বর পনবা যাদ্রবা হুন্না কাশিপুর লংথো
শিস্থ ঈস্বরগী থুংশেন !
খৎনহল্লগা চন্নবা
চান্নহল্লগা খৎনবা !

—

(খংদবা রা মচুগী রাং)

থরাইবু নুংশিবা

লৈপানদগী থদংপিরবা
লৈথোক্তগীস্থ কেল্লবা পোমলিবী লৈরাংনি।
লৈশক খণ্ডরকস্থ লৈনম্না নশক তাক্লি
কেল্লবী লৈরাং কনাগী মথুত্তা লৈথোক্তগী থদংলকস্থ
লাক্তরবী মহাকপুদি মপুগী থোজাল ফংলখিনি;
য়েংলকস্থ নমিংতু মুংতাইতবগী ঈপোম হৌরকই,
তাহল্লুকস্থ নহাক্কী মাকং খোঙেল
কায়গদৌই থম্মোয়সে
ঐদি লমচংপানি পুন্সিগী লম্বেলদা ইতোমতা—
মাস্মা তংখ্রবা ঈশা নাম্মগী পাঙ্গলদা—
ওস্থোক্লা মারবা পুন্সিনি
ঐস্থ নোংম নংগুম্না ইপাংলক্তা তিল্লশ্লী
ঐগীদমক মাবীবা ঐগীদমক কনবা থনাবিবা
কন্না অবা লৈরক্নী—কন্না অমা পোক্নী—

মতমতুন্দা লৈজবম্মী ঐগীসু অরাংবা রাখল
ঐহাক্না খনখি মুংশিবদি মুংশিবগীতনি
অদুবু বাহূগী দশা তাববা
শনিগী মীৎযেং চঙলবা ঐসু
ঙসি নংগুম্না হিংলি ।
থংদে নহাক কবম্বা জাৎ
হৌবকফম, নরমচৎ ননাৎ
অদুবু মুংশিবদি থমগ্রে মঙোন্দা।
হৃংহৌদরে নহাকী অপাম পামদা
খল্লুবে কংখিগদৌরবা পুন্সি অসে
অমুক্তংদি মযোন চো ংল্লগে
সমাজগী খোঙগাঙদা
শযোন তেক্লবা নশাদো—
অনৌবা পাঙ্গল হাপ্পীবম্মগে।

(থরাইবু মুংশিবা)

ইমাগী আশীর্ব্বাদ

চরাংনরবা পুক্লিংনি
পাখৎচরবা থম্মোযনি
অরাবা লৈচিল নোংফাইলক্তা—
মুংঙাইবগী নোংথাংস্থু মকুপ্লকই।
নিংঙাইদনা মাংখি।
নিংঙাইদনা হল্লকই।
চয়েৎনরবা পোল্লোযফম খংদ্রবা
থৌদোক হায়বত্থু অসিনি
কাবা অমদি কাদবা হাযবত্থু
ঐগীসু অমদি তম্মন্নগনি
লিশাং শিৎনা হোৎনজরকপা
থবক্কী মহৈ রাজমনগী মমল
লেপ্পবগনি ঙসিদি।
ও! চরকসিদা কদোমদগী খোঙ্গেল
ঐগী ইমিং
থাংগৎলুরবা নাকোং তন্ন
হঙ্গিল্লকই অমুক হন্না।
ওইরমদ্রবদা খংনিংবদো—
শাগৎচরুবা আশা
খঙ্করুবা রাখল
মাংলরগদ্রা মকেমফাংতা—
মতমহৃদা ঐ;
মাইথিরবা কেন্দিদেট
অহৃগা মহাক্লা—মাই পাক্লবা কেন্দিদেট

মাগীনা সুংঙাইবা ঐগীনা নিংবা কায়বা
নাক্তগী পোষ্টবদা
মযেক লানা ইরিবা
অরাবা মযেক্কা
ঐগীদমক ভোট থোম্ল
এজেন্টশিং, মকুপশিং, খুদিংমক
কেম্পকী মহুংদা মপান্দা
শারবা সুংশাগী মাযোক্তা
ঐগীদমক ৱা ববি,
ঐগীদমক চেনবিবি—
মখুৎমক্কা নানাবিবত্থনা ইমানা হাযবিখি
"লেপ্পমক মঙ্গল ওইজৌ"
অথেংবা অহিংদা সনামহি ইদুংঙো খুরুমজ্জ
মপি জব জব শিন্থনা ইমানা ঐগীদমক
চাদ থক্ত হাযজখি
মচাগী
মচাগী মঙ্গলগীদমক
কাগনি ঐ শোযদনা কাগনি।
লক্ষা অমগা লাম্বা পাববসু
নাকপাক নাকপাক্কা ঐগী য়েক্লবা ওইশ্রবসু
ঐসু শোয়দনা কাগনি
ঐগীসু মরুপশিং লৈবি।
মখোয়না ৱাবিরি, চেনবিবি,
ইমাগী মঙ্গল, আশীর্ব্বাদ
ইথাদা চেৎনা কোনশিঞ্জরি ।

(ইমাগী আশীর্ব্বাদ)

শেনগী নিশা

ঐ, ইনাকখুনবনি
শেঙাও পায়বা, লৌযাম চাবা
সনা, লুপা, মী, শঙ্গ
ঐগীদি কোতোনি
ঐনা হায়বা য়াও
শেন্দোয কোকপিগে।
ঐঙোন্দা নপচৌ
থবক পিবিগে —।
ইতুং ইল্লু, নমাই ওইজৌ
ঐগা মরুপ ওইযু
ঐগা য়েক্লবা ওইগনু
নখোয়তনা মাংজগনি।
নপুক্তো চারা রাৎকনি।
উকিল, ডাক্তর, ইঞ্জিনিযার
ঐগী মুংশিরবা মরুপশিংনি।
পুলিস, থানা, ডারোগা
ঐগী মী ঙাক্তনি।
ঐদি ইনাক খুনবনি
শেঙাও পায়বা তৌগেত তৌঙম্বা
ঐঙোন্দা চংজৌ
নবুক্তো থনজনবা—
ঐঙোন্দা লাকউ
ঐগা মীচং শেমউ
ঐদি ইনাক খুনবনি,
ইনাক খুনবা, ইনাক খুনবা, ইনাক খুনবা।

মরূপ সঙ্গ

মরূপ মপাংনি, খঙনবনি, চান্নবনি,
ঐবু নুংশিবিবনি.
নুংশিবগী মমীংদা, খঙনবগী বেব্যাহারদা
ঐগীদমক মখোয়না মতেং পিবিরি
ঐগী— ঐগী — ঐগী—
ঙসিসু ঙরাংসু নহালসু
শেন্দসু, মতেং মীদসু মতেং
চিন্দবুদি তাল্লগা ফংবা শেল
লৈহুনা ফংদবা মরূপ
মখোয়দি তংতনা হায় তংতনা হায
অহুগা ঐসু খল্লি ঐসু খল্লি,
থম্মোযনদি যাদে, পুক্নিংনসু পেঞ্জদে,
নিনিদি, মখোযগী মতেং পান্মী
হুমনিসু পান্মী, তরানিসু ওইসন্নু
অহৈবু য়ামশিল্লক্লবত্তদাদি ঐসু ঈকায়রে

অমুকস্থ খল্লি মখোয়না অমদা মতেং
ঐনা অমদা মতেং
ঐনা ওম্বত্নদা, ঐনা ওম্বত্নদা—
অঙ্কগী হিসাব
ঐনস্থ ওম্বা
শেলগী দরকাবস্থ সংবাই
মীগী— দরকারস্থ মপৈ
মখোযদা হেক্তমক তাবা—
ঐগীদি কনা লৈ মখোয় নত্তনা
অরাবদস্থ মরূপ. মু'ঙাইবদস্থ মরূপ
অত্নবু হাযবদি ওমদবা
হাযকববস্থ পিরকপা, হায়দ্রবস্থ পিরকপা
খংহল্লিংদত্নুনা খংহনদ্রবস্থ
মখোয়না হেক্তমক তাবা
মখোয়না হেক্তমক তাবা
মখোযনা অচুম্বা ওইখিবা
ঐনা অরানবা মখোয়গী চৈফম
ঐঙোন্দনা ইকাযবগী চৈথেং
লমম তোনশিনবগী পোৎলুম
ৱাখলদবুদি অঙ্কগী হিসাব
নাকল অনি মান্নবা ইকৈসন

——

(মরূপ শঙ্গ)

পোক্নফম লমদম

ঐ,

নতম্বাক্তা চাওরকপনি
নথান্নুংদা কোনশিনবিউ
ইরমদমগী নুংশিৎতা
ইরমদমগী চিঙ্গাক্লা—
চাওরক্লবা হকচাংসে,
নংগীদমক শিজগে।
নংগীদমক হিংজগে
লোন তিন্নবা মক্বপশিং
পোকপিরকপা ইমা ইপা,
নুংশিরবা ইচিল-ইনাও
শেম্বীরকপা ওজা গুরু
মখোয়গী লক্তা পুঙ্গগে,
লৈজবা খুদিং নংডোন্দা কৎচগে
নংগীদমক নোমজগে,
নংগীদমক বাজগে—
ইবুধী ইরৌশিং, পাঙ্গল
শিজিন্নজগে নংগীদমক
শিগ্রবস্তু ঐনা করিগুম্বা—
ওইরকসনু ঈ মরিক মরিক খুদিংনা
লমজীং মৈরা তুংগী মীহৌরোলগী
মুংশিজৈদা ইমা-লৈপাক মণিপুর নহাকসে

অসংবা ফিজোল থোল
চিংলোল নাপোম্না খ্বাংলাক ওইবিবী।
পুক্তপ্পী ইমা, হিংলি নচাশিং নহাক্কী—
টিকেন্দ্র, থাঙ্গাল, পাউনা, গম্ভীরসিংহ অথোইবশিং
মখোয়গী লিক্লাং চোইজাইননা
নমোমাশিং অকনবা
থম্মোয় চাউবী মখোয়গী—
মীৎকী মনী হিংগৌরি,
শক্তি রাশক মখোইস্তু ইমাগীদমক—
নোমগনি, রাগনি, শিগনি,
লাপ্পা খোংলিবা তাম্নাগী খোঙ্গেল
নক্লা তারিবা পিক্লবা উচেক মচাশিং
জীব খুদিং খিবিক্লা
নংগী নগুনবু শক্তি,
ইহৈগীদমক মরমদা লৈরবস্তু
করম্না কাওগনি ইমা নংবু দ
ঐগী ইহৈগী মপাল,
থবক্কী লৌশিং খুদিংমক
ইমা নংগী ঙাক্তনি—
ইমা নংগীদমক্তনি
এহাক্কী শিংলি খুদিংদা—
লৈরি ইমাগী খোমলাং অমৃত
মারমদমদা লৈজরবস্তু ইমা
ইরমদনগী পুন্সিদি, ইরৈপাক্কী রাখলদি,
নচাবুদি কাওজরোই
নংদি ইমাগী মচানি—।

———

(পোক্লফম লমদম)

ৱাশক মংগ্রেমনবা

ঐহাক্ হক্চাং ঙমদ্রে, নারে, ফমশেন্নরে,
ঙসিদি নখোয়-মখোয় খ্বাইগুম্না-ঐস্থু নারে,
কোক চিক্লে কোক্ ঙাওরে চানিং-থক্লিংদ্রে
য়াদা লিক্লা অমফাওবা তানিংদ্রে।
ঐহাক নারে
নখোয় পুম্বা ঐগী অনাবা হংবা লাক্লরো
ঐবু লাযকন্নররো
তেরাগী বিধু. রাংথৈগী ইবেতোম্বী, কৈশামপাংকী ইবেনি
নখোয় করি করি তৌরি?
নখোয় মহাকপু খংবদাই মহাক্কা তিন্নবদাই
হৌজিক ফাওবা ঐগী অনাবগী পাও পিখিদ্রিবরা?
য়েংউ নখোয় ঐগী মাইদা, মীত্তা, খোংদা, খুৎতা
কুৎলিবা মীৎ চপশিল্লবা খজাই
কুচু থোক্ত্রবা হক্চাং, ঙাংলিবা মীৎ,
ঐ নাম্লবনি অনাবা চাননা ফমশেন্নরিবা—অনাবা
খুদাংদা শিরিবা যন্ত্র শঙ্গোয়দা তারিবা লাইরিক
থোংজিন্দা খেৎলিবা তাইরেন মশা
ইমানা ঐগীদমক তৌরিবনি
মচা অনাবগীদমক মমাগী শেবা
ললিতা বিশাখা মরুপশিং পুম্নমক্
নখোয় ইমাগী মতেং পাংলরোইদ্রা?
ইমাবু অস্থমক্ ৱাহনথিগদরা?

ইনাক্তগী লিক্লি, হোৎ-ৱাতৱ বেগ গ্লুকোজ, হোৱলিস্ন
পাবুংনা লৈরুবা ঙাক্তনি।
সোফাদা লৈরিবা খাটাহুদা
লৈরিবনি অনাবগী ৱিপোর্ট খুদিংমক্
মরুপশিং, মরুপশা
ঐ অনাবনা জয তৌখরে
ঐহাক মাইথিরে নখোয় খুদিংমকী মফমদা মাইথিরে।
নিংশিংলিবৱা নখোয় পুম্বা ঐগী ৱাশক্
ৱাৱিগী পৱিং খুদিংদা থেৎখিবা—
কংলা পার্ককী মরুপ অনিতগী ওইবা মীফমদা
পুন্সিসিমগী নাৱোই, অনাববু জয তৌগনি
চংলক্লবস্থ তাম্হোকখিগনি হকচ ংদগী—
পুক্লিংদগী, ৱাখলদগী
অমুক্তফাওবা লাক্তনবা, হল্লক্তনবা
অহুবু মরুপ নখোয ঐবু অমুক্তং হাযরমখো—
ঐ নাৱবৱা তশেংনমক্ অনবা মী অমা ওইৱবৱা
ৱাশক কাইৱবা মী হাইংহুবা?
ঐবু নাহনগনু ঐনা নাৱবদি মহাকস্থ নাৱপনি
জিব খুদিংমক নাৱগনি—
ঐ নাৱবদি মহাক, মহাক নাববদি মখোয়
মখোয় নাৱবদি নং, নং নাববর্দি নখোয়
মরুপ তোম্বী, বিজয়, ললিতা
ঐ নাদেকো ঐ অনাবা মী নতেকো
ঐদি নাৱৱোইদবা মীনিকো ওসিতগী নত্তবা
পুন্সিসিমগী পুন্সিসিমগী।

(ৱাশক মংগ্রেমনবা)

মীংশেল য়েংসি

অউবশিংহুনস্থ উদে হায়
অতাবশিংহুনস্থ তাদে হায়
ওল্লক্লিবা সমাজদা
ময়োন তেক্ক খুইথরক্লবা
মৈহৌরোলগী চৎনবিবু উবদা
গমশা ইনবী খোংদাই শেৎপী—
ইমা ইচলশিংহুনা খোংবু খরগা
খারি শোয়োক লমজাওদা—
চৎনবিবু কনশি লাউৈজ
নুপাশিংনা য়েংই
মতমনা পুরকপা থৌদোক রাথোক
পেন্দবা খোল্লাওশিং
রাকৎ — রাতেম
চৈথেং ফংলবা মতুংদা—
নুপা পাঙ্গল ফুদোক্রা
তানলু খুদিং ফংলুরনি রাখন্দা —

কাঙবু কাঙবু হোৎচিন্নে
মুপীশিংনা ঝেংই
ইচাগী কাদা শোক্লরে—।
মুপীগী কাদা লাল্লরে
ইজ্জৎকী রাফমনি
পুক্কী মচিঙ্গাক রাৎলক্লবদা
খংলক্লে য়োংলৈ-মেলৈ নাইবা
অচান মীরাই খাইবা
অঙম্বশিংগী নিতি-নিযম
শরি-চিক্লা রাশক্লা—খুম্ব, হুপ্পা লিচীংদা
দাবি পিউ তাল্লবে
অঙম্বগী মকোন্দা
আইনগী চুংগোয পায়রিবা
শক্তিগী মপু ওইরিবা
অঙম্বা মকোক শারক্লে।
বুদ্ধি লৌশিং ফাইরক্লে
নাম্মা হায়রিডে য়াত্রগা
পোৎপু ফারগা য়ারক্লে।

(মীংশেল য়েংসি)

খাংদ্রুং থক্তা মাঙফদে

শৈরোন খংদনা শৈথাবা
তান্থা কাইনা তান্তাবা
হবান-মীৎযেং অরোংপা —
থাথীবা নাকোং চনুন চবুন
ফাগুন ফানা হীংলিমখৈদি
তাযোম্নরকখিনি পুন্সিগী লিলা
খুংকী ঈনা লাই শাবা —
থু জন্দা তুম চঙবা
কাংখথংগী লিংজম
চেকশিনহৌদ মীংকুপ্পা —
খুদোং থীবা থোংক্রুংঙাই
ফত্ত পুম্ব লৌথোক্লুমখৈদি
ঙংদা শান্তি লৈখিবোই
পুক্নিং খোইরাং ভোইখিনি
পুন্সি মমল অয়াম্বা
পৈশানা খ্বাং কোয়রবা

থৌনা কোকথোং ফাববা
দাযিম্বনা হামফু কামলবা—
মীওইবগী মপোক্নি—
খাঙভূথক্তা মাঙফদে—
মহৈ মরোং চাদ্রিবা—
ইবিক চুন্নক্লিবা উহৈগুম
লৈমাইথক্তা কেনফদে
তৌরমথিগদবনি খরদি
ইমাতনা ওইরফাও পেন্নবা—
শাংখো হিংখো লৈখো
জিব খুদিং পেন্নবা—
আশাগী পোলাং থন্দ্রবস্থ
পোকচমনগী মহৈদি
খবমখৈদি থন্নমগত্রবনি
ইন্নুং শোন্না তৈত্রিফাও
তাইবং ফিজং কুপ্ত্রফাও
খাঙভূথক্তা মাংফদে
লমখাংদা তোকফদে—
পোকঙমদ্রবা মীওইবগী মপোক্নি।

(খাঙভূথক্তা মাঙফদে)

নহা

"মণিপুরদা নুপী হোঙই
নুপীনা নুপাদগী মশিং হেল্লে"
ষ্টেটিসটিক্স ডিপার্টমেণ্টনা পাও পীরি।
রেডিওনা লাওরি
"মণিপুরগী কোন্নুং ইম্ফালনি"
চাওখৎপদা মযোল
অখণ্ড অহৈশিংগী মকোন
লাইরিক্তা লেংদ্রবা প্রমান্নি
নুপীমচা লাইরিক তম্বী চবুন চবুন
মতোমতা, অনিতা, অহুমতা—
মথং-মথং, মচিৎ-মচিৎ
জুরা-জুরা, তুমিন-তুমিন
অহুম চৎনখি অহুম চৎখি
নুপীমচা লোইনা চৎখি
নুপামচা লেমহৌই
মখোয়সু অহুম ঙাইহৌই অহুম ঙাইহৌই
অহুম অহুম অহুম

লাম্বা থিনরি নুংতিগী—
কলেজ অকা অকুম
স্কুল চৎথোক চৎশিন
অতুগা—
মরক্কুদা—
ওফিসকী থবক তৌবা থরম্থ
যান্না চেকশিন্না শিংনা
কনা খঙহনানংদ কনা উহন্নিংদ
সরক চুথেক কোনাত্নদা—
নাংতোম নাইতোম ফ্রুপ ফ্রুপ
খোইদাজবা খন্নরি
নুংশিনশি হৌকরি
"নুপীমচা স্কুল কলেজ কাবা যাদ্রে"
নুপীগী ইজ্জৎ লৈত্রে
"নুপানা নুপীদা লক্লবা ইন্নবা যাববোই"
অকনবা ওজাগী হুকুমনি
পুলিস গাড়ী গাড়ীদা শকহেনবা পাথং
মথং মথং কাখৎহল্লি
জগাশিগী দৃশ্যনি
চবকশিদা—
খবনা, নুমিৎ চংনা নুংশিনরে
লৌনশি লৈনশি লেপ্পের
চেনখিবনা অমদা—
মতমশিগী কুম্মৈনি
"মণিপুব কন্থোসি
মণিপুর মাঙথরক্লে—

(নহা)

শাজংতা লীচংতা—
চাওখৎপগী খোঙথাঙ য়াঙখৎহল্লশি”
মীটান অমগী খোল্লাওনি
হান্না পাল্লম্বশিংগী ফত্তবমখৈ পুখোক্লগা-
মখোয়গী অফবতমক থাগৎতুনা
কাংবু অমনা লাওরি।
সভাবতি অমা বুক্তা খরা
তাবিনবা য়াওদনা মকেমফাৎতা—
ওল্লক্লিবা সমাজগী তাংকক অমা
ছাত্রগী দাবি, কর্ম্মগরিগী দাবি
মহারোনগী অপাম্বা,
প্রোসেসন, স্লোগান,
ঈথক ইরাং,
মতমগী লাইচৎ
মতমগী ইরোম্ভুংদা
ঙম্মক লুপপ্রসন্ন
ঙম্মক লুপপ্রসন্ন
ঙম্মক লুপপ্রসন্ন।

অহাবা নুংশিবা

শারক য়াংবি থক্তা
নদোম তোইনা চৎকনবি
শকহেল্লবি নুজাও নিংথিবী
নমিংস্থু খ'দে, লৈফমস্থু খংদে
থাবুম কযা হৌথবে
কুমজা মশিংস্থু যাম্লক্রে
শকখংদবা ঐঙোন্দা
চিংনবগী পরৈ হুকপিহ্না
ৱাখলগী নমপোৎ থোংগৎপিরগনু
নংগী মাইথোং থাজ উবদা
পাখং ওইবা ঐহাক্তি
ৱাখলগী অকনবা ঈরৈদা ইরাক্লরে
অপাম নুংশিগী ফুনগৎলকপা লাইনাদা
পাখং পুন্সি তাইওন্নরে
ফোংবিরো নহাক্কী নুংশি পাওথোং
তেল্লবা যৌবনগী মতমদা
মাংহল্লগনু তাংলবা মতমবু

থেংনবদি মুংতিগী
ফিজ্জোলস্থ মথল মথল
নোংমতস্থ মান্নদে
শকথংদবা ঐঙোন্দা
মীংয়েং কারন তোইববু
পাখডদা আশা থম্বরা ?
মোমোন মীনোক নংাক্কী
লোয়া য়েংবা মীৎয়েংনা
পাখংগী থম্মোয হুখিবা
পিবিবক্লো নুজাও শকথংদবি
চাঙ্গরবা নুংশিবগী কৈথেলনি
কোবৌ নুমিৎ য়াইখবনি
ন গা মমল তিক্করিডৈ
অহোংবস্থ
অতাংবস্থ লোইথোকখি
পাখঙ নিঙবা বাযনা
ঈবানযাইদা হল্লগা
নুংশি চাবা চেন্দনা
খুম্নান খুল্লিং ভোদনা
লৈকায তরা মমাংদা
পাখংবু চোংপাহনগে খনববা ?
হুল্লো নংাক্কা নুংশি মমল
থংহল্লো নংগী অপাম্বা ঐঙোন্দা
শকথংদবী লমলানবী
শকহেল্লবী হুজাও।

(অহাবা মুংশিবা)

চিংখায়নবা

নুংশিবা করিনো ?

নুংশিবা কোঙ্গোলনি, লিক্লিনি, থরাযনি

নুংশিবগী মচু করিনো ?

অঙৌবনি, শঙনিংবা মচু শংবা য়াবা

মনমদি ?

মনম লৈ, মনম লৈতে, লৈতে লৈতে

লৈ লৈ—

নুংশিবা কদাইদা থমগনি ?

থম্মোয়দা শেলদা লন্দা ফিবম ফিবমদা

নুংশিবা কায়নরবদি ?

নিংবা কায়বা, থম্মোয় চাকপা, অঙাওবা

অমমুক হোংবা, অমমুক য়েংবা

নুংঙাইখোকপা

য়ু—গঞ্জা—কানি

নুংশিবা কনানো ?

নুংশিবদো নুংশিবদো নুংশিবদো

নুংশিবা কদাইদগী কংই ?

থংনরুবদগী চায়রুবদগী তিররুবদগী
মুংশিববু কাররনিংবরা, কায়নরবদি ?
অমত্তা তৌনিংদে ওইহল্লিংদে, থোক্তসনু।
লৈমিন্ননিংত্রা, হিংমিন্ননিংত্রা ; সমাজদা
লৈমিন্ননিংই, হিংমিন্নমিংই,
অন্নাবদমু মু ঙাইবদমু
লাইবক্তা তমলমত্রবদি, থুংনত্রবদি
বেরা লৈতে থুংনত্রবমু য়াই
অতুব মুংশি মুংশিখিনি মু শিখিনি
লৈমিন্নদবা ঙমগত্রা
কায়নবা ঙমগত্রা
ঙম্মোই ঙম্মোই ঙম্মোই
উন্নত্রবমু য়াই থুনত্রবমু য়াই ঙায়বদাই
ঐ খঙদে ঐ খঙদে ঐ খঙদে
ঐঙোন্দা ওৎলরগনু ঐঙোন্দা রাহং হংলরগনু
মু শিবা, শিত্রো শিত্রো শিত্রো
ঙমলগত্রা ?
অতুগু হংলক্কনু ঐ খঙদে
ঐ খঙদে খঙদে খঙদে ॥

(চৌংথাইনবা)

মীওইবা

পুন্সিনি হিংলিবা মীগী রারী
শিংথ্রগদি লোইরবা
কোংদোকপা খয়া কোংদোকখবা খরা
অয়াবসু মপৈ মুংঙাইবসু কোঙায়
মোকপা কপ্পা······
মুমিৎ খা থরানমীচাক
মতমগী খোংচৎতা ঐ
অমুম অমুম
অচুগা মা
উরুবদগী মুংশিরুবা
খঙনরুবদগী চায়রুবা
অচুদগী মাথল পোন্দিন তিয়না
থম্মোয় থম্মোয় শিয়না

যৌবনগী খোংচৎ
অহুগা মরক্তুদা
তুংশিবগী লৈপুন
ঐগগী মাগগী
পুন্সগী লন
অমা অনি অহুম
পুন্সি লিলা কম্বাক্তা
ওইগা য়েংকা ফমহুনা
তাইবঙ লিলা য়াওরিবা।
ঐসু মাসু পোলোইহুনা
অহান অকোন খংদবমখৈ
অশিবগী খয়াংতা
ইমাদসু তাকলমদা
ইচাদসু খঙহল্লমদা
অমমন অনি অনি
অশিবগী খয়াংতা
অশিবগী খয়াংতা
জোম—জোম, জোম—জোম ॥

(মীওইবা)

লৈশিল্লকলিবা ঈরৈ

নোংখেং তোইবে লৈপাকসে
মদনা নোং চুরক্লে
পুন্নচোং চোংলে মীওইবগী পুন্সি
চিংনবগী লানথমদা
লান্মী ওইনা পোক্লক্পা অপুম্বা
মাইওঙ্গ লাম্না পুবিথরে
মতমগী অকনবা ঈবৈনা
চংনং-লোনচং ধর্ম্ম-কর্ম্ম
মথন্নায় ওম্না শংপিরে
মুপীগী ইজ্জং মুপীগী সতিত্ব
শল্লাক শারে লুকমাইগী লৈংতং ওইহল্লে
অন্নান-অহুন্ট লৌনম লৌথাক
লৌজনাম পুজনাম্না মালেম পৃথিবী কুপথরে

ইজ্জৎকী অকনবা নোংলৈদা
চুংগী য়ুম্বিরেল হিবিকসু
চুরেলগী কৌশিং ঙনখরে
ঐ ঐ ঐগী ঐগী
নং শিরো নং মাংলো
ঐ হিংগে নত্তা
খোঙ্জেলশিংনা আকাস মন্দোল নিল্লক্লে
অচুম্বগী কৈথেলদা ঙাইদবা ঙাক্তা য়োল্লে
অচুম্বগী রায়েলদা ঙাইদবা ঙাক্তা ঙাংহনা
অচুম্ববু কাগী তাহল্লে
ফত্তবা র'খলনা লরাইদা ফমখল্লে
অকাম্বা মীৎয়েংদা পুক্লিং হেন্না চিংশিনখ্রে
মরী-মতা মরূপ মপাং
লৈচিনগী মওং লৌখবে
চিনকেন-ফবা থুৎকনবনা
চাওখৎপগী শাইওন ওল্লক্লে
শেলনা বিচার তৌরক্লে
শিনমে তাইবংপাল
মীওইবা লৈবা লৈবাক্তো
লৈশিল্লক্লিবা ঈরৈদা লুপশিল্লক্লবা ।

(লৈশিল্লক্লিবা ঈরৈ)

সংগ্রাইসেল

মহাক্না হায়খি

মমিং লৈশম মশাগী অপান্সা মপাগী
অনিংবা মরাইবক্তা ওম্লরিবা খুদিংমক

মহাক্না হায়খি॥

ওসিদগী অদোমবু কনানি খঙ্গদ্রে
থবক্কী অশংবা মতম খুদিংদা নিশিংনশি

মহাক্না হায়খি

নিপাঙনা উনবা লাকই, মহাক্না
থারকপা মাল্লি, মহাকম্ভু লাক্লম্মী অনিবঃ
অহুমলক অচুরাইদা থেংনরম্মী, অম্বাইদা
কৌনরম্মী, মহাক্না, মখোযনা, মচু
হায়রক্কই ঐনা মচু খুমখি

মহাক্না হায়খি॥

মুংঙাই পুদা কাকশি, মুংঙাই
কুশ্মৈ য়েংলুসি, রিকশোদা কাথৎলুসি

মহাক্না হায়খি॥

মতাং অসি ভাব তাঙ্গ্রে থরা তাকপিউ,
তারিখ অহুক্তা লাকে, অচুদা উনশি,
স্বাইশি লাংই আগী অচীকপসিদা চংশি,
উগী মথা উথাদা।

মহাক্না হায়খি॥

থাং পুরকে তৌবনি পুরকত্রে হৈশি চাবিয়ু
ময়োমশে পুবিগ্রো য়ামদে, কোটোসে

যেংবিউ, অত্তুদা নপ্সনি, মখোয়শিংহুনা
ইমান্নবশিংনি ঐগা তিন্নবস্থা চামথোক্লগা পিরক্কে।
এঃ মৈতৈ নিপা লাক্লে শক খণ্ডনবা অনোক
উপশিনগে।

মহাক্না হায়খি॥

ৎসিং অত্তু লৈ, হৈযেংনা আদা লৈ,
ঐহাক মীডোন্দা হায়জবা হৈজদে,
শে লাইবিকশিংসি পাবিযু। শিনা—
উপন্যাসনি সিনা ফিলম ফিযারনি
সিনা চাইল ফিয়াবগীনি।

মহাক্না হায়খি॥

তৌবক্কন্নকো পুথোরক্কন্নকো ঐদি শাওগদবনি,
শে নিপা ফিয়োনবা
মগী শি মমল লৌবা চাবগী
লেংবা টি কংকী লৌবো
শে রিকসা থৌবা নিপা
অত্তুদা চৎলু অত্তুগী কোনাহুদা
মা অনিগী করা লৌগনি শে।

মহাক্না হায়খি॥

অথীবনি ঐদি হৈতে মশি পাম্বশিনবিথক্লো
অমনা টেবল কোক্তরনি অমনা
অয়ুক হুংদাংগী,

মহাক্না হায়খি॥

অদোমনা মণ্ডদা তৌবগুম্না ঐহাকসু
শিরিদা ফুবদা খোংতেক্লে অদোমনা
লাকমন্নবহুদা হংগে লাক্লিবনি

(সংগাইসেল)

মহাক্লা হায়খি ॥

ফুবা দলান তাজ মখোয়শিংশে
ফজৈ করি কবি রাংলি? অস্বাটংশে
যেংলুশি এঃ ম্নারে কোফি থক্লুশি
যেকুম চাশি। হাই হোটেল মুপা,
য়েক্রম অফুৎপা লৈবরা?
অতাওবা লৈবরা? কোকা কোলা—
অইংখদো হান্না পোরকট্ট অনি।

মহাক্লা হায়খি ॥

লোনখিবা শো হাংবা য়াদ্রে
তুকাব্দগী শো অমত্তা লৈমিন্নকশি
মফমশি মতোমন্তা চৎনদে হায়।
ভাগাক্তনি ভাগাক্ত।

মহাক্লা হায়খি ॥

ঐগী বাশিনা অতুনি পোকপনা অতুদনি
কবিগীনো খংদে ফদোমগা
শুক মাম্ন বরক্লিবনো?

মহাক্লা হায়খি ॥

পাঞ্জিনা লুহোংকম অনি পী—
অমদি লাম্পোকখ্রে। অমদি কনাগনা
থডদে।

মহাক্লা হায়খি ॥

অম্বরদা চংলুশি রোজ গার্দেন,
হরি পর্বতগী হোটেল মাগীদমকতা
কোকীগীদমক মখোয়স্তু হায়খি—
চাগীদমক কোফীদমক অম্বর,
অসোক হোটেল।

(সংভাইসেল)

ঐনা খুমখি ॥

মরুপশিং হোটেল অচৌবশি
চা কোকি হেন্না হাওতবনি।
মফমন্থদা চংলগুমশি অরংদা অরাক্তা
ভাহাক্কী খুংঙাইনবদা উনশাগী
কুম্মে অবোংপা রারি, এঃ কাস্তিনদগী
হেক্তা থক্লসি। হে বুলু চা মন্নী
সমোশা মডা

21189

মথংদা পুথোকচগদবা

কেকুলোংপী ফোং ফোং

(উপন্যাস)

অরানবা চুমথোকপা

মশিং	লমায়	পরেং মশিং	অরানবা	অচুম্বা
১।	পাখিবশিংগী			
	মীৎয়েং (১)	১	মীংম্নেং	মীৎযেং
২।	do	৭	কুঞ্জমেহোন	কুষ্ণমোহন
৩।	do	১৯	আশা	আশা লৈ।
৪।	রামাং য়ানবা	৫	বিসাইতেসন্নচিংবদা	বিসাইতেসন্নচিংবদা
৫।	(খ)	৩	নিনাই	নিমাই
৬।	do	১০	কিদমসিংঙাইনি	ঋদমনিংঙাইনি
৭।	রা অমত্ত	৭	খোংচিনবত্তমা	খোংচিনহুনা
৮।	do	১৯	নখোব-া	নখোযনা
৯।	৭	৮	ন্নু ভিগীনি	নুংতিগীনি
১০।	৮	১৩	তাতাহুনা	টাটাহুনা
১১।	১৯	১২	কনাগীয়ু	কনাগীস্থ
১২।	২৬	১৬	খেংচি জবনা	খোংচিনজবনা
১৩।	২৭	১০	অয'ম্বা	অয়ম্বা
১৪।	৩১	২১	চিণ্ডাক	চিঙ্গাক
১৫	৩১	২২	হরিনা কশিপুর	হরিনাকাশিপুর
১৬।	৩২	১৪	অবা	অমা
১৭।	৫৯	১০	ফিয়ারগীনি	কিয়ামগীনি